ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯦ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯵꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মে ২১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৫৫শুবা মশীং

## মণিপুর প্লাষ্টিক পোলিসি

### শেম্বদি লায়, চৎনহল্লু

অনীরক শুরকপা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী অনৌবা লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না ষ্টেটসিদা চৎনহন্নবা 'মণিপুর প্লাষ্টিক পোলিসি, ২০২২' অয়াবা পীখ্রে। পোলিসি অসি মথৌ তারকপদগী শেন্নগা কেবিনেট মীফমদা পুথোরক্তুনা অয়াবা পীখিবনি। তঙাইফদনা অথুবগী ওইনা মথৌ তারক্লবদি পুথোক্তুনা খন্নবা, অয়াবা পীবনচিংবগী অকোইবা প্রোসেস পূন্নমক তেনশিল্লগা গভর্ণরগী অয়াবা লৌরগা এক্ট ওলহন্দুনা হেক্তমক চৎনবা হৌহনবা য়াই। মথৌ তাবা প্রোসিদিংশিং কোন্না তৌবা য়াই। লৌথোকপা নৎত্রগা হাপচিনবনচিংবা এমেন্দমেন্টকী থবকশিংসু চাম্মরক হন্না তৌবা য়াই। অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি শেম-শাদুনা পুথোকপা, কেবিনেটতা পুথোক্তুনা অয়াবা পীখিবসিদি পোলিসি অসিগী থৌবু ওইরিবা লৈঙাক্কী ওইবা থবকনি। অদুক য়াম্না লুবা ওইদ্রি। অদুবু তশেংনা লুশিল্লক্কদৌরিবা মতমদি পোলিসি অসিদা য়াওরিবা কাংলোনশিং থবক ওইনা ওন্থোরক্তুনা চৎনবা হৌহল্লকপদনি। মদ্বাইদদি পোলিসি অসিবু শেমদুনা পুথোরক্লিবা লৈঙাক্কী মথৌনা মরিংজেল হেক্তমক তশেং তশেংনা খঙবা উবা ঙমগনি। পোলিসি অসিমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাকসিদা প্লাষ্টিকশিংবু অমুক খক্তুংদগী হেন্না শীজিন্নরগুমসি হায়বনিনা অমুকপু শীজিন্নখ্রবদি মফম চানা দিস্পোজ তৌদুনা মাঙহল্লসি, শীজিন্নবা লোইরবা প্লাষ্টিকশিংনা মীয়ামগী অকোয়বগী ফীভম শোকহল্লক্লবগী মচাক ওইহল্লগুমসি হায়বনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফমসি য়াম্না ফজখ্রবা অমসুং মসিগী কান্নবসু ময়াম লৈবা তেনখ্রবা ৱাহৈনি। অদুবু ফজখ্রবা ৱাহৈশিংসি থবক্তা ওন্থোরকপদা থেংনগদবা ময়ামদুনি। মরমদি হৌজিক্কী মীরোলনা প্লাষ্টিক্না মহুৎ শিনবা য়াওদবা পোৎলমশিং শীজিন্নদবা য়াওশিল্লক্রে। চান-থক্লবা পোৎলমশিং হাপ্পা পোৎলমশিংদগী হৌরগা পোৎ খুদিংমক্কী হাপ্পনবা কন্টেনর পূন্নমক প্লাষ্টিক্না মহুৎ শিল্লক্লে। মরম অসিনা অমুক্তমক শীজিন্নরগা অনীরক হন্না শীজিন্নদনা দিস্পোজ তৌখিগদবা প্লাষ্টিককী পোৎলমশিংনা করম্বা মোদেলশিংগী পোৎলমশিংনো? করম্বনা খরা কুইনা চোন্থনা শীজিন্নবদা অয়াবা পীগদৌরিবনো হায়বদুগী নাখে শেংনা মীয়ামদা খঙহনবা চঙই। মরমদি প্লাষ্টিককী পোৎলমশিং শীজিন্নগদৌরিবসি মীচম-মীয়ামনি। রেগ্যুলেট তৌদুনা চৎনহনগদবনা লৈঙাকনি।

অদুবু মথৌ তারকপদগী তঙাই ফরক্তদুনা চৎনহন্নবা শেমদুনা পুথোরকপা পোলিসিশিং এক্ট ওন্দুনা ফাওবা চৎনহল্লক্লগসু মমিংতগী ওইনা লৈবা, চৎনগদবা-চৎনহল্লক্লিবা কাঙলোন অমা লৈরি হায়বগী করিমত্তা কান্নদবা য়াওই, লৈ অদুনা শেম্বদি লায়, থবক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনহল্লকপদদি চৎনহনগদবা কাঙবুগী ইন্টিগ্রিটি, দেদিকেসন অমসুং দ্যুটিফুল ওইবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বগী ৱাফমসি হেক হেক চোঙথোরক্লিবনি। মরমদি মণিপুরগী নুপা ওইবশিংবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক অমা ওইরিবা য়ুগী ঈপাক্তা ঈরাক্লদুনা শিগদবদগী কন্নবনি হায়দুনা অদুঙৈ লৈখিদ্রবা আর কে রনবিরনা এসেমব্লিদা পুথোক্তুনা খন্নবদা হাওসকী মেম্বরশিংনা অয়াবা পীবদগী পাস তৌরগা এক্ট ওন্দুনা চৎনরকখিবা 'টোটেল প্রোহিবিসন এক্ট' কী ফীভম হৌজিক কম্মাই তৌরিগে? এক্টসিনা য়াচল লাক্তুনা অথিংবা পীদুনা চৈরাক পীগদবদা য়ু শুংলিবা, য়োল্লিবা, থক্লিবা অমসুং মপান্দগী পুশিল্লক্লিবশিংনা ওইনা মণিপুর টোটেল প্রোহিবিসন এক্ট অসিগী মথক কাখৎতুনা মখোঙনা চবেৎ-চবেৎ নেৎশিল্লগা থম্বদৌনা গাড়ীগী টায়রনা তকখাইরম্বা হঙোইদৌনা পুমপাক পাক্তুনা লৈরে। লৈরি হায়বতা ঙাইরে, মসিবু মথ্বায় পালহনবা ঙমদ্রে, থবক্তা ওন্থোকত্রে। কাঞ্জ থাঙ তাদুনা লৈরে। মরম অসিনা মে ১৮, ২০২২দা ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফমদা পুথোক্তুনা খন্নরগা অয়াবা পীখ্রবা মণিপুর প্লাষ্টিক পোলিসি অসিসু টোটেল প্রোহিবিসন এক্টকী মরাইবক তাহনগুমসি হায়বনি। পোলিসি অসিগী খ্বাইদগী মায় পাকহন্নবা থবক্তি 'সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক' ওইহনগদবনিনা শীজিন্নরবা প্লাষ্টিকশিং চাইথোক্তনা মফম চানা থমহনবা অদুগা পন্থদনা দিস্পোজ তৌদুনা মাঙহন্নবগী থবকলোমদা হেন্না চাওনা পায়খৎপনা চুমগনি হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪২

১) কালিদাসকী **"রঘুবংশ মহাকাব্য"** হায়বসি মীতৈ শৈরেংদা কনানা হন্দোকপগে?

২) **"সেঙ্গোই সনা"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রগী পুন্সি অমসুং মহাক্না লীবিরম্বা ৱারীশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইবা লাইরিক্তুগী মমিং করিনো অমসুং কনানা খোমজিনবনো?

৪) **"নুংঙাইফম খঙদে-/নঙগী ৱাখলদা মঙ মঙবদা।/নুংঙাইফম ফংখিদে -/নঙগী মিংদা ডিপোজিৎ হাংঙুবদসু।"** শৈরেং মতেক অসি মপাল লমগী মচিন তুমখৎলক্লিবী অইবী অমগী শৈরেংদগীনি। অইবীসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **"হে পারী! নপন্ ঐগী ইহকচাংসে খাম্ পি মৈদা ঈকলো। মালেম্ লৈরোল, মাপন্ না 'কূ' বু শাও। কোরৌ নোংলোল্ মাপন্ না 'থক্ খল্' শেমলো। থক্ খল্ মখোঙদি 'থংচিং, মারজিং, ৱাংব্রেন, কৌব্রু' মরি অসিনা ওইও।..."** ৱাহৈ পরেং খরা অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


### শেংদোকচবা

হৌখিবা মে ১৭, ২০২২ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙখিবা ঐগী আর্টিকল **'নেসনল হায়ৱে-২ দেদিকেটেদ হায়ৱে পেট্রোল'** দা **'কদর ইবোতোন্বী'** কৌবা ঈশিং ঈচাওগা মরী লৈননা ঐগী ৱাখলনা শাগৎলগা ইজখিবা মীওই অদু ঐনা ইকায়খুম্নজরিবা কাকা লৌরেম্বম ইবোতোম্বীগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনজদে। ঐগী ৱাখলদগী থোরকখিবা কলমগী খূৎইদা খন্থরুদবা মীকুপ্তা মীং মান্নরম্বগীদমক কাকা অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা লাল্লে হায়না শেংদোকচরি। মীং চান্নরম্বগীদমক অমদি ঐগী ইমুংগুম্না লোয়নজরিবা কাকাগী মীওইশিংনা নুংঙাইতবা পোক্লখিবগীদমক্তসু নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। কাকাগী পুন্সিনা অনা-অয়েক য়াওদনা পুন্সি নুংশাংনা লৈনবগীদমক্তসু তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা খুরুমজরি।

*অইবা - জিতেন নামৈরাকপম*

## মসিদি মী ওৎপা শুকচিং চিংলোইদ্রা?

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



ঙরাং নুমিদাংদদি নক্লবা লৈকায় অনীগী হোর্ন (লাউদ স্পিকর) খরনা ঐগী য়ূমলোমদা মায়ওন মপা চপ চানা ওনশিনবীরক্তুনা তঙাইফদনা চিন-খা ফজবদা মমিং চৎচবা ঐবু চিন খা ফজদনা ঙাঙহনবীখি। ঙরাংগী মমাঙ নহানফাওদি ঐগী য়ূমলোমদা হোর্ন অমখক্তমক ঐগী শরুক থুংলম্বনি। অৱাং থংবগী হোর্ননা কিলোমিটর অনীরোমগী অনকপনি। অমা মমাঙ থংবগীদুমনা কিলোমিটর মঙারোমগী অরাপ্পনি। নেল্লগা য়ৈ-খোংজবা বেন পার্টিনা মথং মথং য়ৈথরকপা, ধং ধং থিন্থরকপা, পে পে খোংথরকপা, লৈকায়গী থৌরম কন্মিটিগী লাউথোক মীনা থৌরম পরেং ওরো ওরো লাউথোরকপা, হৈকৎ লৈকৎকী লাউথোরকপা, থৌরমদুগা মরী লৈননা শকথরকপ খুন্নরকপা ময়ামদুদা ঐনা ফমুংদা তংদু লৈতানা হিপচরম্বদু লৈতঙ্গায়গী মোম্পাক্তা হিপ্পদু ঙাইরে।

চথরিবা থৌরমসিগী মায়েপকী ৱামাঙ য়ানবা ওইনা থা খরগী মমাঙ কৈনোদগী সুম সুম থিন্থরকপা য়ৈথরকপদুনা কৈনো মতুং ফাওবা থিন্থরক্লি। কৈনো মতুংগী মতুং মতুংদুফাও থাবল চোঙখি। মীতৈগী থাবল অচম্বা থাবল নত্তে, তরাই তরাইবা থাবল নত্তে। চোঙনীং চোঙনীং মতমদা ইচোঙদা চোঙবা য়াবা থাবলবু তরাই তরাইবা থাবল্লনে? থিংবীনবা লৈনা লৈনা, থিংনা থিংনা য়াদে হায়না হায়না থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা পঙচোঙদা চোঙনরিবা থাবলবু তরাই তরাইবা থাবল্লা? ঐসু পান্থে লৈত্রদুনা অদুম ৱাখলদা লৈশাবী মশক ফজবা অমা ৱাখলনা শাগৎলগা মাগী নৌর খুজেং পালোইনজরগা নোক্লা নোক্লা থাবল চোঙখায়মিন্নখি। য়েনখোং অহানবফাওবা থিনগায়নদুনা, য়ৈখায়দুনা শেল চঙনা চোঙনখিবা অসুক য়ামখ্রবা থাবল ময়াম অসে লাউদ স্পিকরগী মপাল তাংদনদি ওইথোকপা য়াবা অমত্তা নত্তে।

লাউদ স্পিকরগী মখোল অসি তাবদা লৈজরিবা লাই তীল অফবা লাঙবা য়াদবা ময়াম অমা তানখায়বা ওইনগদি থোক্লল্লোইদ্রা হংনবা য়াওরকপা য়াই, ঐবুদি হংজনীংদে। লাই তীলগী থবক্তা লাউদ স্পিকর মরাং কায়না য়াওদবা য়াদে হায়বা থায়নগী ইপা ইপুনা মায়েপ পুথোক্ত্রিঙৈদা হায়রম্বগা নূঙদা হক্তুনগা লৈরমগদৌবা মাল্লি।

লাই তীল লাৎপসু অফ অফবা খোলহৌ খূৎলায় শীজিন্নদ্রবদি নুংঙাইবা য়ৌদে মী ঐখোয়না খঞে। লাইগী মফমদদি হৌবা হৌদবা মায়েপ পানবা পান্দবা হায়বসি লেঙদবা মোত অমদি মরৈরমগনি। মাগা মীওইবগা ফাওনবা ঙমদবনা মদুমদি লৈখায় চপ চানা তাবা ঙম্মোই। লৈকায়গী কম্যুনিতি হোলদা নুপামচা নুপীমচাশিংনা নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরক্লবা ফাওবা ম্যুজিক থাদুনা মরী লৈনবা তুংনীক জগোয় শানখি।

ৱাকচীংগী লাই তীলগী থৌরমদা লৈতোল থাবা সুর তাদবা পাখংমচাশিংনা শৈখোং মেছিন থারগা খুদেং দুং দাং থিন্দুনা মাইক্রোফোন (শৈকামফ্) দা নোংনা পূমঙাল ঙাল্লবফাওবা লেপ্পা লৈতনা মশীং খঙদ্রবা মতমগী ঈশৈ কয়া মরী মরী কামথনখি। ঈশৈ পুমলোই লোইরদুনা নোং ঙানবা মতমদা খুদেং অহনবা অমা মপুন্সি অদুম লোইরে। পূমকোপ কোপ্তুনা ইমা কোনচাক য়োনবীগী তারগা তোকই। মায়েপ হৌনা হৌনা লৈখৎতুনা ফিল্ম ঈশৈনা মপুগী থৌগল নুংদাং চূপ্পা লেপ্তুনা তৌবদা মপু মানা পেনত্রিক পেনবিখি হায়বা তাজখিদ্রি। তাইবঙ মপুনা নুংদাংদা মায়েপ খোংনু খোৎকনু হায়না অয়েৎপা পীরক্তবনিনা মাসু মতমগী ঈরাং য়াওদুনা মায়েপ্পু পামজরম্মনি তাকচৈ।

নদাইরেমদি নুমিদাংদুমা খোয়দৌ পঙশীক্তা শীকচখি। মপু মঙোন্দা মনাই ওইবা য়াক্লা হঙ্গৎনা শাউজবা নৎচদে, মনাই য়াক্লা খোয়জীক্লবদি অহৌবা মখোল মাতবুনি। নোং হেক ঙানবদগী (হায়বা য়াই) খা রাই চেনবদা চোকথরবা মতাং অদুদা লোংনা হিপ্লগা নুংঙাইনা খ্রো খ্রো নাখোল্লগা নীংঙাইদনা ঐনা নুংঙাইনা তূমজরগদবা খেনফম ৱাংলেন অদুদা মায়েপ মখোলনা ওত্তুনা অমুক্কা নোং ফুং ঙানবফাও ফমুংদা অমুক চেপ, অমুক ওন তৌদুনা মখা তানা শাপ তৌরগা লেনবা তারিব্রা? ফনা খনবা শাদুনা সাউন্দ পোল্যুসনগী মৈচাক খাঙলিবসি ঐদা ওইরম্মোই হায়না পুকচেল চাউনা খন্দোক্লসিরা? পুকফবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি নুমিদাং পুং তরা ফাওবদগী হেন্না লাউদ স্পিকর শীজিন্নবা য়ারোইকো হায়জরম্মগা খ্রো খ্রো নাখোল্লগা অদুম তূমখ্রনি। লাইরিক-লাইশু হৈরবা লৈকায়বু পাউতাক পীবা ঙল্লবা চিনচৎলোয় ময়াম অসিসু মায়েপকী মতাংদদি ৱাহৈ অমা মচিন কাঙথোরক্তে। করম্বা খাঙবা ঙম্বগী থম্মোয়বু পাল্লিগবা কল্লকচৈদা?

অহিংদা অমদি নুংশা য়াক্লা শারবা নুংথিল পোবোপ্তা মায়েপ হৌনা থারগা লাঙবা নিনবা তৌদুনা অহিং কয়া অশোল অনা কয়াবু তূমহন্দবা হায়বসি মী ওৎপা শুকচিং চিংলোইদ্রা? মসিবু লাইনা য়াবা থবক ওইরমগদ্রা? মসিদা য়ারগনা করি করম তৌবা লাই ওইগদৌরিবনো? মসিগী খূৎওৎ অসিদি পাপ পাপ হায়নরিবা পাপ হায়বদু নত্তজাৎলা? মী ওৎলিবা কাঙবুদু পাপি ওইরোইদ্রা? মখোয় পাপ পুরোইদ্রা? মখোয়না তূমহনদ্রবনিনা হকচাংসু ফররোই। হকচাং ফৎত্রবদি চাকহোঙ ঙাহোঙনবা শু-নোম্বসু ঙমদৌ মান্দ্রে।

রেদিও, টেলিভিজনদা ঙাঙলি শক্লিবা অহিং তূমদবগী ফত্তবা, অমাঙবা, অকিবা ময়াম পাউচেদা, চেফোঙদা, ইন্টরনেটতা মরাং কায়না ইরিবা ময়ামসি উনদ্রবজাৎলা? অহিং তূমদবগী ফত্তে হায়বা ময়াম অসিবু মৱা ইরৌমক লৌনীংনদ্রবজাৎলা? লাই নীংনবগীদমক্তা, থাবল চোঙনবগীদমক্তা মীগী তূম্বা থুগায়রকইবা, নুমিদাংদা মায়েপ হৌনা লৈখৎলকইবা ময়ামসি উর-তারগা লৈকায়গী ক্লব, মৈরা পায়বী ময়াম পূম্বা ময়া লোইনা ইকুম কুমদুনা য়েংদুনা লৈনৈ। অশোন অনা ময়ামসিগী য়েংলগা মায়েপশিং শাবা লেপ্পীখ্রদিকো! ঐদি খুন হোংদুনবু চৎনীংলে। মায়েপ লৈতবা খুন। মসি লৈতবা খুন লৈরমগনিনা? মায়েপ শাবা লেপহন্নবা ৱাকৎ মীফম অমত্তা ফম্বা পামজরে। ●

## হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ চিগোংলৈ অঙৌবা # ৩৪২

**– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –**

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

এঞ্জাং ওইনা চানরবসু হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং থোইদোক্লা য়াওবা পাম্বীলক্তগী চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বী অসিসু অমনি। চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বী অসি ইংলিসতা হ্বাইট লিদ ত্রী (White Lead tree) নৎত্রগা জুম্বে (Jumbay), রিভর টেমরিন্দ (River tamarind) নৎত্রগা ইপিল-ইপিল (Ipil-Ipil) নৎত্রগা তেন-তেন (Tan-tan) নৎত্রগা হ্বাইট পোপিনেক (White popinac) নৎত্রগা কোফি বুশ (Coffee bush) নৎত্রগা কাও তেমরিন্দ (Cow tamarind) নৎত্রগা হোর্স তেমরিন্দ (Horse tamarind), হিন্দিদা শুবোল (Subaul) নৎত্রগা সফেদ বাবুল (Safed babul), বেঙ্গোলিদা সাবাবুল (Sababul), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ল্যুকেনা ল্যুকোসেফালা (Leucaena leucocephala (Lam.) de Wit)* নৎত্রগা *ল্যুকেনা গ্লাব্রা (Leucaena glabra Benth.)* নৎত্রগা *ল্যুকেনা গ্লাওকা (Leucaena glauca Benth.)* নৎত্রগা *আকাসিয়া ফ্রোন্দোসা (Acacia frondosa Willd.)* নৎত্রগা *আকাসিয়া গ্লাওকা (Acacia glauca (L.) Willd.)* নৎত্রগা *আকাসিয়া ল্যুকোসেফালা (Acacia leucocephala (Lam.) Link)* হায়না কৌই অমসুং *মাইমোসেসী (Mimosaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি - য়োংচাক পাম্বী ত্রী বীন (Parkia roxburghii G. Don.), চিগোংলৈ নৎত্রগা চিগোংলৈ নমথীবি পাম্বী - গম আরাবীক ত্রী (Acacia arabica (Lam.) Willd.), ঈশিং ঈকায়থবী পাম্বী - ৱাটর সেন্সিটিভ প্লান্ট (Neptunea oleraceae Lour.), লম ঈকায়থবী পাম্বী - সেন্সিটিভ প্লান্ট (Mimosa pudica L.) অসিনচিংবনি। চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বীগী স্পিসিসকী মমিং ল্যুকোসেফালা হায়বসি গ্রীক্কী ৱাহৈ ল্যুকো হায়বদি অঙৌবা অদুগা সেফালা হায়বনা মকোক হায়বগী ৱাহন্থোক্তি পাম্বী অসিগী লৈগী মকোক (Inflorescence) অদু মতুম তারগা ঙৌবদগীনি।

চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বী অসি ফুট ৬০ ফাওবা ৱাংবা মতম পূন্নমক্তা শংদুনতা লৈবা পীক্তক তৌবা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মখোক অদু তেল্লপ তৌই অমসুং সেন্টিমিটর ৫০ ফাওবা চাউই। পাম্বী অসি য়াম্না থুনা চাউই অমসুং চহী ৩-৪গী মনুংদা মপূং মরৈ ফাবা ঙম্মী। পাম্বীগী মনা অদু খং পাম্বীগী মনাগুম্মই অদুগা লৈশিং অদু মার্বলমুক চাউনা মতুম তায় অমসুং মচু অদু ঙৌই। চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বীগী মহৈ অদু খোক্ পাম্বীগী মহৈ মাল্লি অমসুং সেন্টিমিটর ২দগী ৩ ফাওবা পাকই অদুগা সেন্টিমিটর ১৫দগী ২০ ফাওবা শাংই। পাউদমশিংগী মতুংইন্না চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বী অসি ময়ায় থংবা অমেরিকাদগী হৌরকখিবা ওইরবসু ঙসিদি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা এসিয়াগী লমদমশিংদা পাক-শন্না হৌখিদুনা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌখরে। ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিংদা চিগোংলৈ পাম্বী অসি হৌই অমসুং পাক-শন্না থান্নবগী পাউদমশিং লৈ।

চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বীগী মহৈ অদু য়োংচাক্কী মহুৎ শিন্দুনা ইরোনবগী য়াম্না হাওবা মচল অমা ওইনা চানৈ। মপুন-মপুন পুল্লগা কৈথেলশিংদা য়োনবা থেংনবীগনি। মেক্সিকোদদি চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বী অসি হুৱাসিকেক (Huaxyacac) হায়না কৌনৈ অমসুং মহৈ অদু এঞ্জাং ওইনা থোংদুনা চানবগী পাউদম লৈ। জাভাগী মীওইশিংনা চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বীগী নৌতক তৌবা মহৈ অদু শিংজু (green salad) ওইনা চানবগী মথক্তা ঙা অমসুং লৈবাক হৱাইগা শেম্বা মথেলশিং অদু য়াম্না হাওনা চানৈ। লাওসকী মীওইশিংনা ঙা অমসুং চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বীগী অনৌবা মহৈ অদু অৱাথবী পাম্বীগী মনানা য়োল্লগা ঙাল্লগা নৎত্রগা মৈদা লৌরগা চানৈ। মফম খরদদি চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বীগী অনৌবা মনা-মতোন অমসুং লৈ অদু ঙৌরগা নৎত্রগা ফুৎলগা নৎত্রগা এঞ্জাং ওইনা থোংদুনা চানবগী পাউদমসু লৈ। চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বীগী মরূ অদু হিংনা অমসুং মৈদা ঙৌরগসু চানৈ। হৱাই থোংবদা চিগোংলৈগী মহৈ অদু হাপ্তুনসু চানৈ। নোংপোকলোমগী লৈবাক খরদদি চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বীগী অরিবা অমসুং অকংবা মহৈ অদু কূপ্পা তকখায়রগা য়ামগা তোৎলগা মখল কয়াগী অচাপোৎশিং শানৈ। চিগোংলৈ পাম্বীগী অরিবা মরূ অদু কংহন্দুনা ঙৌথোক্লগা কূপ্পা তকখায়রগা কোফিগী মহুৎ শিন্দুনসু থক্লে।

চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বীগী মনা অসিদা প্রোতিনগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওবা মরম্না শা-ষণগী অফবা শজিক অমা ওইনা পীজনৈ। অদুবু মাইমোসীন (Mimosine) হায়রিবা হু চেনবা এমিনো এসিদকী চাং অসি ৱাংনা য়াওবা মরম্না পাম্বী অসিগী মনা অসি শগোল অমসুং গধাদদি য়াম্না তোয়না পীজবদা মতু-মশম অদু কেনগল্লি হায়বগী পাউদমশিং লৈ। চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বী অসি মনা য়াম্না পানবা অমসুং মনা অদু হেক্টর অমদগী চহীদা কেজি ২০০০দগী ২০,০০০ ফাওবা পুথোকপা ঙম্বা অমদি থুনা পথ্-পুমথবা ঙম্বা মরম্না হার শেম্বদা য়াম্না খুদোং চাই অমসুং পাম্না অমদি পাক শন্না শীজিন্নৈ। চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বী অসি অফবা মগুণ লৈবা শীং (Firewood) ওইনসু শীজিন্নৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বী লম হেক্টর অমা থাবদা চহীদা নুংশিত্তা য়াওবা নাইট্রোজেন অসি কেজি ৫০০ রোম ফাজিনবা ঙম্মী হায়না পাউদল্লি। চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বী অসি চে শাবগীদমক্তা ইন্দিয়াগী অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং তেলঙ্গনাদা য়াম্না পাক শন্না থানৈ।

হীদাক-লাংথক ওইনসু চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বী অসি শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। পাম্বী অসিগী মরা অমসুং উগী মকু অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা অঙাং য়ৈথবদা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসিগী মরূ অমসুং মহৈ অদু তকখায়রগা খোইহি খরা হাপ্তুনা পীজদুনা অঙাংনা ময়াং য়াম্না কংবা-চি থুংবা অদু লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। উনশা কনশিনবা অমদি চেকখায়বদা চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বীগী মরূ অদু ঙৌথোক্লগা কূপ্পা তকখায়রগা খোইহি খরগা তোৎলগা শেম্বা মোলোম অদু চাং নাইনা তৈবদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। এসকারিয়াসিস (Ascariasis) হায়রিবা রাউন্দৱর্ম (Roundworm) তীন অসিনা নারবদি চিগোংলৈ অঙৌবা পাম্বীগী মরূ অদু তকখায়রগা অয়ূক অঙনবদা পুক হাংলিঙৈদা পীজদুনা লায়েংবগী পাউদমসু লৈ। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### 'করপসন অমদি মনি পৱার, মসল পৱার'

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী অহানবা টর্মদা এন্টি করপসন সেল হাংদোক্তুনা মীওই খরা চৈরাক পীখ্রে। হন্দক্কী অনীশুবা অসিদসু মীওই খরা চৈরাক পীখ্রে, থাগৎনীংঙাইনি। অহানবদা খরা এক্সন লৌরম্লগা চপ লেপখিবগুম্না হন্দক্তি এক্সন লৌবা লেপ্পীদবা ওইসনু। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টর খ্বাইদগী ফবগী মনুংদা এন বিরেনসু য়াওরিবনি। ইলেক্সন মমাঙগী মেনিফেষ্টোদা য়াওখিবা অমদি মিনিষ্টর ৱাশকপদা য়াওখিবা পূন্নমক্লা কাউবীদবা ওইহন্নীংই। মরু ওইনা থবক লৌবদা শেল লৌরোই, শেল পীরম্লবসু হন্দোকহল্লু, করপসন লৈতবা ষ্টেট ওইহনগনি হায়রিবা ৱাফমশিং অসি তাবদা মীচম মীয়াম্না পেনবা ৱাফমশিংনি। হায় স্কুল অমদি কোলেজ লাইফতা তম্মীন্নরকপা, লোয়ননা ট্রেনিংদসু পুনমিন্নরকপা কনাগুম্বা অঙাংশিংনা মকোক তারকপা অঙাংশিং অদু থবক লৌবদা মমা মপাদি শেল পায়জদবা অদুগা শোথহৌবা অঙাং অদুগী মমা মপাদি ইনাক খুনবা, শেঞ্জাও পায়বা, শঙ্গ লৈবগী মচা ওইবনিনা শেলনা থোং শারগা থবক খনখিবদা লায়রবা অঙাং অদুগী ৱাখলদা পেন্দবদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা, ফত্তবা শাজৎ চৎলকপা য়াওরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। কনাগুম্বা অঙাংনা কলচরগী লম্দা ঈশৈ নোংমাইদা চৎচগে খনবা অদুগা মমা মপানদি ইঞ্জিনিয়রগী লাইনদা শেলনা থোং শারগা পাস তৌরহল্লকপনা থোং শাবদা তেকথরকপা অমদি ৱাল চনবদা নিংখাইরকপা য়াওরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মমা মপাদি শেঞ্জাও পায়বা অদুগা মচানদি ট্রেক্টর লৈরগা ফার্ম তৌরগা পোথোক পুথোক্কে খনবা অঙাং অদুবু শেলনা থোং শারগা ডাক্টর ওইহল্লুবদা ওপরেসন তৌবদা অমুক হন্না ওপরেসন তৌবা অমদি অঙাং উন্নবদা অঙাং লৈতবা, মমা লৈতবসু য়াওরমগনি। শেঞ্জাও পায়বা কনাগুম্বনা শেলনা থোং শারগা মপান লমদগী দ্রগ পুশিল্লক্লগা মণিপুর লান্দুনা মপানগী লমদা পুথোকখিবা য়াওরমগনি। খৎন-চৈনবা, হাৎন-শুনবা, হুরান-চিন্থি, ঈরাং থোকপা, দ্রগকী প্রোব্লেম অসিনচিংবা কয়া অসি করপসন্দগী থোরকপা ঙাক্তনি হায়জনীংই। পীকখ্রবা ষ্টেট মীশিং লাখ ৩০ রোমদং লৈবা অসিগী এম এল এ ৬০, পোলিসি মেকিং বোদি অসিনা চপ মান্নরবদি করপসন লৈহন্দবা ষ্টেট অমা ওইহনবা হায়বসি লায়না থোক্কনি খঞে।

অরোইবদা, অতোপ্পা ৱাফম অমনা ইজরিবা ঐসি পোলিটিকেল কলরলেস অমনি। মাস মীদিয়াদা ফোঙলকপদা য়াম্না হাকৎচবা, তাবদা নুংঙাইতবা ৱাফম হায়বদি কোংগ্রেসনা বি জে পি লৈঙাক্লা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংলিবসি মনি পৱার, মসল পৱারননি হায়রি। হৌখিবা ৯শুবা এসেমব্লি ইলেক্সন্দা কোংগ্রেসনা সিট ৩০, ১০শুবা ইলেক্সন্দনা কোংগ্রেসনা সিট ৪২, ১১শুবা ইলেক্সন্দনা কোংগ্রেসনা সিট ২৮, বি জে পিনা ২১ ফংখিবা মতম অদুদা কোংগ্রেসকী ১০% (তেন পর্সেন্ট) হায়না মীদিয়াদা ফোঙখিবা মতমনি। মনি পৱার, মসল পৱার য়াওরম্লোই হায়বসি থাজবা ঙমজদে। কনাগুম্বা পোলিটিকেল পার্টি অমনা ইলেক্সন থেংনবদা সিট অমা ফাওবা ফংবা ঙমদবা পার্টিনা মসল, মনি পৱারনা কাবনি হায়বসিদি য়ানীংই।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।